# বাংলাদেশ অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা এম ও য়ু তরুক খুৎয়েক পীনখ্রে



ধাকা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

ধাকাদা লৈবা ষ্টেট গেষ্ট হাওস পদ্মাদা বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরিশিং উনখিবদা লৈবাক অনীনা মেমোরেন্দম ওফ অন দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) তরুক খুৎয়েক পীনখ্রে।

ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কমিস্নার হর্শ বর্ধন শ্রিংলা অমসুং বাংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা এম ও য়ুদা খুৎয়েক পীখি ।

বাংলাদেশকী ফোরেন সেক্রেটরি মহামদ শাহিদুল হক অমসুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় কেশব গোখলেনা অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ ফাওবা ৱারী শান্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক বাংলাদেশতা চৎলুবা অমসুং বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনা ইন্দিয়াদা লাক্লম্বা মতমদা খুৎয়েক পীনখিবা য়ানচেশিংগী মথক্তা ঙসি অনৌবা এম ও য়ু তরুক অমসু লৈবাক অনীনা খুৎয়েক পীনখিবনি।

নৌনা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু তরুক্কী মনুংদা নুমালিগরদগী পারবতিপুর ফাওবা পাইপ লাইন তিংবা, প্রসার ভার্টি অমসুং বাংলাদেশ বেতারগী মরক্তা মতেং পাংনবা, ধাকা য়ুনিভর্সিতিদা আই সী সী আর উর্দু চেয়ের হাঙদোকপা অমসুং জি সী এন ই পি-বি এ ই সী ইন্টরএজেন্সি এগ্রিমেন্ত য়াওরি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় কেসব কোখলেনা হায়খি, বাংলাদেশকী স্কুল ৫০০ দা লেঙ্গোই লেবোরেটরি হাঙদোকপা অমসুং রঙ্গপুর সিতিকী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং ফিভম ফগৎহনবগী মতাংদা এম ও য়ু অনী সাইন তৌনখি।

এদ্যুকেসন, কলচর, হেল্‌থ, কম্যুনিতি ৱেলফেয়র, রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা তোঙান তোঙানবা সোসিও-ইকনমিক্স সেক্তরদা লৈবাক অনীনা পায়খৎকদবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এম ও য়ু তরুক খুৎয়েক পীনখিবনি হায়রি।

বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা চৎপগী মতাংদা হরাওবা ফোঙদোক্লদুনা বিজয় গোখলেনা হায়খি চাওখৎপগী মমি শাল্লম্বা বাংলাদেশনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমগী থাক য়ৌরকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লি।

ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতগী চেন্থোরকপা মীওই লাখ কয়ামরুম চঙজফম পীবগী মতাংদসু বাংলাদেশপু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক বাংলাদেশকী কোক বাজারদা লৈবা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিগী মতেং পাংবগা লোয়ননা রেফ্যুজিগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় গোখলেনা ফোঙদোকখি। ধাকা ঙরাং থুংলখিবা গোখলেনা প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনাগসু উনগদৌরি ।

# সেন্ট্রেল সিরিয়াদা মিশাইল কাপশিল্লকপদা ইরানিয়ন য়াওনা মীওই ১৪ শিখ্রে : সিরিয়ন ওবজর্বেটরি গ্রুপ

বৈরুট, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

সেন্ট্রেল সিরিয়াদা লৈবা এয়র বেজ অমদা মিশাইল কাপশিল্লকপদা ইরানিয়ন য়াওনা মীওই ১৮ শিরে হায়না ৱার মোর্নিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এস এ এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা মিশাইল অদু অমেরিকানা কাপশিল্লকপনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু য়ু এস ওফিসলশিংনদি সিরিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিশাইল কাপশিনখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা ইজরেলনসু সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথবা লৈখ্রে অদুবু ঙসি মিশাইল কাপশিল্লকখিবগী মতাংদা ইজরেলি মিলিটরিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি ।

সিরিয়ন ওবর্জবেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, মিশাইল কাপশিল্লকপদা ইরানিয়ন য়াওনা মীওই ১৪ শিরে । লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা ইরানিয়ন নৎত্রগা ইরাননা শৌগৎপা গ্রুপশিংগী মেম্বর ঙাক্তনি হায়না ওবজর্বেটরি গ্রুপকী মকোক রামি অবদুরহমননা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনানা সিরিয়াদা মিশাইল কাপশিল্লকখিবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি । লেবানগী অল-মনার টিভিকী রিপোর্টনা হায়খি, সিরিয়াদা কাপশিল্লকখিবা মিশাইল অদু ইজরেলগী শোইদনা ওইরম্বা য়াই।

মমাঙদা য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পনা সিরিয়াদা কেমিকেল এটেক চথবদা চেন্নবা মীওই পুম্নমক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি ।

মমাঙ চহীদা অৱাং থংবা সিরিয়াগী খান সেখোন টাওন্দা কেমিকেল এটেক চথরকপদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেন্ত ষ্টেটনা সিরিয়াগী এয়ার বেজ অমদা মিশাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবনি।

পনবা য়াবদি রেবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা সিরিয়াগী দোমাদা কেমিকেল এটেক চথবদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রবনি। মেদিকেল অমসুং রেসক্যু ৱার্করশিংনা দমাস্কসকী নোংপোকথংবদা লৈবা দোমাদা এটেক চথরকখিবগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ত বাসর অল অসদকী লৈঙাকপু মরাল শীখিবনি ।

খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেল শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবগী মতাংদা মপাল লৈবাক কয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখি। বৃটিশ ফোরেন ওফিসনা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা তকশিল্লদুনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগী ৱাফম অসিনা চুল্লম্বা তারবদি অসদকী লৈঙাক্লা কা হেনবা থৌওং চথরে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম ওইনা লৌফম থোকই।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীওই ৪২ ময়ুম ময়ুমদা শিরগা লৈরম্বা থেংনখি। কেমিকেল ৱেপনগী চৈথেং ফংলবা মীওই কয়া অৱাবা খাঙলম্বসু থেংনখি। ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনদি সিরিয়াদা গভর্নমেন্তনা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগী ৱাফম অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি ।

দোমা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা রেবেল গ্রুপনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা সিরিয়ন গভর্নমেন্তপু লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়নসু ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখিবনি । খুদুম চন্দুনা থল্লিবা দোমাদা নোংথক্তগী বোম থাদবদা মীওই ১,৬০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লীশিং কয়ামরুম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি । ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সিরিয়ান গভর্নমেন্তনা রেবেল গ্রুপ জাইস অল-ইস্লামগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখি।

দোমা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা রেবেল গ্রুপনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা সিরিয়ন গভর্নমেন্তপু লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়নসু ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি । রেবেলনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা দোমাদা নোংথক্তগী বোম থাদবদা মীওই ১,৬০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লীশিং কয়ামরুম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি ।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সিরিয়ান গভর্নমেন্তনা রেবেল গ্রুপ জাইস অল-ইস্লামগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

সিরিয়ান গভর্নমেন্তকী ষ্টেটমেন্ত অমনা হায়খি মদুদি দোমা তম্না লাম্মী কয়ামরুম থাজিন্দুনা অথুবা মতমদা টাওন অদু খুদুম চন্নবা হোৎনরিবা মরম্না রেবেলশিংগী মথক্তা কেমিকেল ৱেপন শিজিন্নবগী মথৌ তাদে।



# বাংলাদেশতা রিজর্বেসনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসনা ফুবদা মহৈরোয় ১০০ হেন্না অশোক অপন নংলে




ধাকা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

ধাকা য়ুনির্ভসিতিদা পুলিসনা রবর বুলেট অমসুং টিয়র গ্যাস কাপ্পদা মীওই ১০০ রোম অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা বাংলাদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয় লীশিং কয়ামরুম্না সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনানা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং হন্দোক্লবা অপিল তৌখ্রবসু চিতাগোং, খুলনা, রাজসহি, বরিসাল, রঙ্গপুর, সিলহেত অমসুং সবারদা লৈবা য়ুনির্ভসিতি পুম্নমক্তা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস বোইকোর্ট তৌখি। জহাঙ্গিরনগর য়ুনির্ভসিতিদা পাঙথোকখিবা খোঙজংদা মহৈরোয় লীশিং অমা হেনবনা শরুক য়াখি হায়না অতাউর রহমদ কৌবা মহৈরোয় অমনা ফোঙদোকখি।

ধাকা য়ুনির্ভসিতিদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদগী হৌরগা ঙসি অয়ুক ফাওবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা মীওই ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখি হায়না পুলিস ইন্সপেক্টর বচু মিয়ানা ফোঙদোকখি।

অশোক অপন নংলবা মীওইশিং অমদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিংনা ধাকা য়ুনির্ভসিতিগী ভাইস চান্সেলরগী ময়ুম অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা কার অনী মৈ থাদুনা মাঙ তাকহনখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয় ১৫ ফারে হায়না অজিমুল হক কৌবা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৭১ গী নীং-তম লালদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা চাদা ৫৬ রিজার্বেসন পীবগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। থবক চঙবদা রিজর্বেসন পীবগী থৌওং চৎনরোইদবনি হায়না মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখি।

# ইজরেলনা অৱাং থংবা গাজাদা নোংথক্তগী এটেক চথখ্রে

গাজা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

পেলেষ্টিনিয়নশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখ্রবা মতুংদা ইজরেলগী ফাইটর জেটশিংনা অৱাং থংবা গাজাদা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনা অমাঙ অতা অমসুং অশি অনা য়াওবগী পাউ চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি।

অৱাং থংবা গাজাদা চিংনবা মীওই খরদি ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা বোম ফুল্লল্লবা মতুংদা ইজরেলনা লমন খুন্বগী মওংদা নোংথক্তগী এটেক চথখিবনি।

গাজা অমসুং ইজরেলগী লোন্নবা ঙমখৈদা পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপদা ইজরেলি আর্মিনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৩০ শিখিবগী মতাংদা মালেমগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তসু গাজাগী ঙমখৈদা টায়র মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা পেলেষ্টিনিয়ন ৭ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা লৈখ্রবনি। মমাঙ চয়োলদা মতৌ অসুম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা পেলেষ্টিনিয়ন ২৯ ইজরেলি আর্মিনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। ইরাই নুমিৎকী মীওই ১,০৭০ শু অশোক অপন নংখিবনি।

গাজাগী ঙমখৈদা ইজরেলি ফোর্সেসনা পেলেষ্টিনিয়ন জর্নেলিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা লৈখ্রবনি । গাজাদা বেজ তৌবা আইন মীদিয়া এজেন্সিগী ফোতোগ্রাফর য়াসর মুরতাজাবু সিক্যুরিতি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি ।

হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা সেন্ট্রেল গাজাগী অল-বুরেজদা মশাগী চহী ২০ শুরবা হমজা অবদেল অল কৌবা মীওই অমসু নোংমৈনা পানবদগী শিরে হায়না ফোঙদোকখি । পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্না ইজরেলগী থৌওং য়ান্নিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙমখৈ মনাক্তা টায়র মৈ থাদুনা অমসুং নুঙ লংশিন্দুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখি ।

মীয়াম তানখায়নবা ইজরেলি লাম্মিশিংনা টিয়র গ্যাস অমসুং নোংমৈ রাওন্দ কয়ামরুম কাপখি । থৌদোক অদুনা পেলেষ্টিনিয়ন ৪৯১ অশোক অপন নংখি হায়না হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি ।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা পেলেষ্টিনিয়ন লীশিং কয়ামরুম্না গাজাগী ঙমখৈ মনাক্তা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী ইজরেলি লাম্মীশিংগা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৯ শিখিবনি । ঙমখৈ ৱাংমদগী ইজরেলি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপলকপদা পেলেষ্টিনিয়ন ৯ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৪৯১ শোকখিবনি । অশোকপা ৩৩ গী ফীভম লুন্না লৈরি । লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা পাউমী অমা য়াওখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা পাউমী খরসু অশোক অপন নংখি । ইজরেলি লাম্মীশিংনা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী মতাংদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কমিসনন য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে ।



# য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র দীল ঙাক্না চৎকন্দবনি : ইরান

টেহরান, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র দীলগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি তুংদা নীংঙম্বদবা শোইদনা ফাওরক্কনি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ত হশন রোহানিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ন্যুক্লিয়রগী মতাংদা য়ানখিবা ৱাফম ইকাই খুম্নগনি। অদুবা করিগুম্বা য়ু এসনা য়ানখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি খুদক্তা ইরাননা খুৎ হনগনি। টেহরানদা নেসনল ন্যুক্লিয়র টেক্নোলোজি দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রোহানিনা হায়খি, য়ু এসনা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্না চৎত্রবদি চয়োল অমগী মনুংদা চপ চান্না পাউখুম পীগনি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিশাইল প্রোগ্রামদা হেন্না কনবা অথিংবা থমদ্রবদি মে ১২ গী মতুংদা ন্যুক্লিয়র দীলদগী খোঙ থাংদোক্লগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ত দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এসকী কিহনবা ৱারোল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রোহানিনা হায়খি, প্রসিদেন্ত ওইরকপা থা ১৫ ফাজিল্লক্লবা ট্রম্পনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিল্লি। হৌজিক ফাওবা জে সী পি ও এ (ন্যুক্লিয়র দীল) দা অমেরিকানা অকায়বা থোকহনবা ঙম্বগী ফিভম উবা ফংদ্রি ।

এগ্রিমেন্ত অসিদা সাইন তৌখিবা বৃটেন, ফ্রান্স, জর্মনি, চাইনা অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননচিংবা পুম্নমক্না হৌজিকসু য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্না চৎলি । ইন্টরনেসনেল এতোমিক এনর্জি এসোসিএশননা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবা হোৎনরি। সিরিয়াদা য়ু এসনা লৌরিবা থৌদাংবু রোহানিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি ।

# পেশৱারদা পাশটুন মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে

পেশৱার, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি):

ইস্লামবাদনা মতম শাংনা চৎথরক্লিবা থৌওংগী মায়োক্তা পাশটুনশিংনা পেশৱার মনাক্তা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা পাকিস্তানদগী নীংতমগনি, হ্যুমেন রাইটস ইকাই খুম্নগদবনি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাজিনখিবা মীওই পুম্নমক থাদোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোঙলাও কয়া লাউখি।

মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি, পেশৱার ফাওবা চৎখিবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎতা চাওরাক্না মীওই লাখ অমরোমনা শরুক য়াখি। পাশটুন ফুরুপকী মীওইশিং খুন্দাবা ফেদরেলি এদমিনিষ্টর্ড ট্রাইবেল এরিয়া (এফ এ টি এ), খাইবর পাখতুনখ্বা অমদি ৱাজিরিষ্টানগী মীওই কয়ানা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি । পাশটুন তাহাফুজ মুভমেন্ত (পি টি এম)না শিল্লগা মীয়ামগী খোঙচৎতা চৎখিবনি।

পাশটুন ফুরুপকী মীওইশিং অফঘানিষ্টান মনাক নক্না লৈবা মরম্না তালিবান অমসুং অতৈ টেররিষ্ট গ্রুপ লাকশিন্নবা পাকিস্তানি মিলিটরিনা লৌখৎলকপা থৌরাংদা ফুরুপ অসিগী মীওইশিং অৱাবা মায়োক্লদুনা লাকখি।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা পি টি এমগী লুচিংবা মঞ্জুর অহমদ পাশতিননা হায়খি, কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট ফংদ্রিবফাওবা মীয়ম্না খোঙফম হন্দাক্লোইদবনি।

এপ্রিল ২২ অমসুং এপ্রিল ২৯ অমুক হন্না মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ চত্তুনা ইসলামবাদকী মায়োক্তা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মতম কয়াগী মমাংদগী পাশটুন মীয়াম্না ইসলামবাদকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদা পি টি এমগী লুচিংবা অসিনা হায়খি, পাকিস্তানি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাখ্রগা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিংগী লংলা-লংজিন পুথোক্কদবনি। মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদা মহাক্না হায়খি, পাশটুন মীয়ামদা ফংফম থোকপা রাইট পুম্নমক ফংহনগদবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কা হেনবা থৌওং চথদুনা মরাল লৈতবা মীচম কয়া ফারগা মফম খঙদনা মাঙহনখিবগী থৌওং য়ানিংদে। মখুৎ চল্লবা মতুংদা মীচম কয়া মীনুংশি য়াওদনা হাৎপগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

OFFICE OF THE
SCHOOL MANAGEMENT COMMITTEE
MEGA MANIPUR SCHOOL
1ST FLOOR HNDSOME HOUSE, PAONA B AZAR, IMPHAL
NOTIFICATION
Imphal, the 9th April, 2018

No. 5-2/2018/Appt/SMC/936 : Applications are invited from the intending candidates for the following regular posts. Interested candidates may submit their application in his /her own handwriting and bio-data with a processing fee of Rs. 200/- (Rupees two hundred) along with a latest passport size photograph and attested certificates from matriculate onwards to the undersigned during office hours at Mega Manipur Society Office, 1st Floor, Impact TV building, Keishampat.

| Sl. No. | Name of Post | Subject | No. of Post | Remuneration | Educational Qualification |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PRT | Maths | 1 | 9300-34800 + 4200 GP + EPF | 1. Graduate in / with mathematics. 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 2 | TGT | Maths | 1 | 9300-34800 + 4600 GP + EPF | 1. Graduate / post graduate in mathematics. 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 3 | TGT | Social Science | 1 | -do- | 1. Graduate / post graduate in History, Political Science, Economics, Sociology, Geography 2. B.Ed or equivalent teaching degree from recognized institute. |
| 4 | TGT | Physical Education | 1 | -do- | 1. B.P.Ed. / M.P.Ed. 2. A recognized Degree/Diploma in Education. |
| 5 | TGT | Computer Teacher (FIT) | 1 | -do- | 1. B.Sc or M.Sc in information technology/BCA/MCA/A-Level DOEACC 2. B.Ed. with teaching experience. |
| 6 | Counsellor | Counsellor | 1 | -do- | 1. Post Graduate in Child Development from a recognized university. Or 2. Graduate/Post Graduate in Psychology from a recognized university. |

★ Last date of submission of application: Thursday the 19th April, 2018.
★ Date of Interview: Sunday the 22nd April, 2018.
★ Date of Class teaching test (Selected in interview) : Tuesday the 24th April, 2018.
★ Reporting time: 8:30 a.m.
★ Venue of interview : Mega Manipur School, Yaralpat Tinseed Road, Imphal East.

Note:- Candidates should bring all necessary documents in original for appearing interview.

Sd/-
Manager, SMC
Mega Manipur School

HL-P/980/10


No. 1/RO/Election/IUCB/2017
OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD
M.G. AVENUE, IMPHAL
/NOTIFICATION
Imphal, the 7th April 2018

**No. I/RO/Election/IUCB/2017** : With reference to election Notice of even No. dated 28th November 2017 and subsequent notice of even No. dated 1st February 2018 for postponement of Election of Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd., notice is hereby given to all the shareholders and the management of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd that the Election of Delegates is rescheduled on Sunday, the 29th April 2018 (from 10 a.m. to 4.30 p.m.) A separate notice will be issued indicating Venue of Election.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd.

HL-B/4563/10,11,12

/খঙহঞবা



হৌখিবা তাং ১৪/৩/২০১৮ ইং, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ফুরামখোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা লংথবাল ফুরামখোং ৱাটর সপ্লাই স্কিম শঙ্গাবগী থৌরমদা পি ঐচ ঈ দিগী এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়রনা ৱাটর সপ্লাই অসিনা কোনবা জি পি অহুমগী খুঙ্গংগী প্রজাশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা জি পি অহুম পুনশিন্দুনা ভিলেজ ৱাটর সপ্লাই স্কিম কম্মিট অমা শেল্লগা চলাইনবগীদমক তাকপীরম্বা মতুং ইন্না হৌখিবা তাং ২৯/৩/২০১৮ ইং, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা শ্রীমতি এন কে গঙ্গা দেবী, প্রধান লংথবাল নিঙোম্বম জি পিগী য়ূমদা জি পি অহুম হায়বদি ১) লংথবাল নিঙোম্বম জি পি ২) কোদোমপোকপী জি পি অমদি ৩) মোংশাঙ্গৈ জি পি পুন্দুনা ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি লংথবাল ফুরামখোং ৱাটর সপ্লাই স্কিম শেমখ্রে। হায়রিবা কম্মিটি অসিগী থৌপুবা ওইনা মখাগী মীওইশিং অসি খনখ্রে।

1. Nk. Ganga Devi - Pradhan, Langthabal Ningombam G.P. - Chairman
2. Th. Nandakumar - Pradhan, Kodompokpi G.P. - Vice Chairman
3. S. Nandeshwori - Pradhan, Mongsangei G.P. - Treasurer
4. Kh. Birendra - Social Worker - Gen. Secy.
5. L. Tarunkumar - Uppa Pradhan, Mongsangei G.P. - Joint Secy.
6. K. Shyam - Ward Member Kodompokpi G.P. - Joint Secy.
7. L. Ragendro - Ward Member Langthabal Ningombam G.P. - Executive. Member

Sd/- **Chairman,** Village Water and Sanitation Committee
Langthabal Phura Makhong Water Supply Scheme

HL-P/977/10

/TWO VEHICLES LOST

I have lost my Yamaha Fascino of Red & Black Frame colour bearing Engine No. E3Y4E0054988, Chassis No. ME1SED196H0034664 & Registration No. MN06SB-6403 issued by DTO Imphal East and another one is Activa 4G Imperial RE colour bearing Engine No. JF50E75044589, Chassis No. ME4JF507CH7044561 & Registration No. MN01AD-7626, issued by D.T.O Imphal west in the name of Pukhrambam Pepe Devi, my sister-in-law in the Intervening Night of 30-03-2018 to 31-03-2018 in front of my Grocery Shop located at Patsoi Part-III Bazar.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Mutum Dhaneshwor Singh**
Patsoi Part-III
# 7628967720

HL-P/975/10

/'থাগৎপা ফোঙদোকচবা অমদি পাবিয়ু কান্নগনি'

Piles না প্রোব্লেম ওইরগা চহী ১২ অৱাবা খাঙদুনা লাক্লি। মণিপুরগী মাইবশিংগী হীদাক চাদুনা পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা Wangoi State Bank Awang (পাঙন লৈরক) দা লৈবা ওজা Kabiraj Abdul Hak. ☎ **8014623756/9383214747** কী হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, শৌজদা চিকপা-শাবা, গ্যাষ্টিক, খ্বাং নাবা, শৌজ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চানীংবা পোক্তবা খুদিংমক হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। অৱাবা পূম্নমক কোক্লে। মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈজদ্রি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা :- **L. Lukhoi**
**Bamon Kampu**

HL-P/733/10